**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

২) রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা হায়রি- হিরোসিমা নাগাসাখিগী থৌদোকা লানগী অমাঙবা অমদি শান্তিগী তঙাইফদবদু নীংশিংহল্লি।

৩) মহৈরোইশিংনা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইরক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরকবা করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি।

৪) ভারত থাদোকউ অন্দলোনগী নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) শেনবা চহি ২০২৪-২৫ দা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী খুৎলায়শিং পুথোকপগী চাং খ্বাইদগী য়ামা লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৫১ য়ৌবা ঙমখ্রে।

------

ডে (এল)ঃ মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনস পিপলস ফোরমগী মখাদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম-মনিপুরনা শিনদুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কমিতি-মনিপুরনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি।

য়েলহৌমী ফুরুপনসু মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি। নাৎ চৎনবী অনিগী খুত্থাংদা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপা অমসুং থোং মান্ননা চাওখৎপা হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মুতুৱা বহাদুর, বিনালক্ষমি নেপ্রম, গুরু রিউবেন, সি.ঐচ. লমজাচাউ অমসুং ডাঃ কোনিংথুংনচিংবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ইন্তরনেসনেল ডে ওফ দি ৱার্ল্ডস ইন্দিজিনস পিপলস ২০২৫ গী থৌরম- য়েলহৌমী অমসুং আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স: হক ঙাক শেনবা অমদি তুংগী লাইবক শেম্বা হায়বা হিরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখি। য়ুনিভসির্তি অসিগী লো এন্দ সেন্তর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুতিজ ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্রনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা মশাগী হক অমসুং তুংলমচৎকী খন্দুনা খন্ন-নৈনবা অমদি অচুম্বা ৱারেপশিং লৌবা তঙাইফদে। য়েলহৌমীশিংগী শক্তম অমস্ং হক মপুং ফানা ঙাক্তুনা থমনবা হোৎনবা হায়বসি য়েলহৌমীশিংগী তঙাইফদ্রবা থৌদাং অমনি।

থৌরম অদুদা হান্নগী মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর এন.জি. নোংয়াই অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মৈবোন ফাউমৈ শরুক য়াখি।

মণিপুর পিপলস পার্তিনসু ঙসি ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট এস. ব্রোজেন সিংহ য়াওনা দলগী মকোক থোংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ঙসি সেনাপতিদা মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মেম্বর চিংয়া লুইথুইনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী শকাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

কোকোমিগী কনভেনর অমসুং হ্যুমেন রাইটস এন্দ ইন্দিজিনস পিপলস রাইটস এক্তিভিষ্ট খুরাইজম অথৌবনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা ৱারোল অমদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী হক অমসুং ইকায় খুমবা ফংনবা হোৎনবগা লোয়ননা তুংগীদমক খন্দুনা ঐখোয়গী লম ঙাক শেনদুনা থমবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি।

থৌবাল অচৌবদা লৈবা মল্টিপরপজ কম্ম্যুনিতি হোলদসু ঙসি মালেমগী য়েলহৌমীশিং নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। শলাই কনবা লুপনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দিরেক্তর কে. দেবদত্ত শর্ম্মা য়াওনা শকাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

পিছ (এল)ঃ ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মগী তরুকশুবা কুমওন অমসুং হিরোসিমা নাগাসাখি ডেগী থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী মাইবমলোৎপা চীংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হায়-হিরোসিমা নাগাসাখিগী থৌদোক অদুনা মীওইবদা লান তৌবগী অমাঙবা কয়া অদুবু উৎপগা লোয়ননা মালেমদা শান্তি লৈহনবগী তঙাইফদবদু নীংশিংহল্লি।

থৌরম অদুদা নৌনা শাখিবা হারমোনি হাউস শঙ্গাবগা লোয়ননা জপানদগী পুরকপা পোৎলমশিং উৎপা অখন্নবা ইগজিবিসন অমসু চীফ সেক্রেটরিনা হৌদোকখি।

থৌরমদুদা ভারত্তা লৈরিবা জপানগী এম্বেসেদর-ওনো কৈচি অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চান্সেলর-ডব্লিয়ু. চান্দবাবু শরুক য়াখি।

তিরঙ্গ (এল) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এন.এস.এস সেলনা শিন্দুনা ঙসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টতা হ্র ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন ২০২৫ পাঙথোকখ্রে। মহৈরোইশিংগী মরক্তা মরৈবাক নীংবা অমসুং অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা ব্রাখল্লোন হেন্না ফাওহন্নবগী পান্দমদা কেম্পেন অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এন.এস.এস সেলগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেতর ডাঃ এল. শন্তোস য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তিরঙ্গ রঙ্গোলি আর্ট কম্পিতিসন, জাতিগী ফিরালদা য়ুম্ফম ওইবা ক্বিজগী থৌরমশিং অমসুং মরৈবাক নীংবগী খোঙচৎ অমসু পাঙথোকখি।

শ্যাম (এল) ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- মহৈরোইশিংনা মতিক চাবা মীওই অমা ওইরক্লবা মতমদা থবক তৌবদা মীয়ামগী য়াইফনবা ব্রাখল্লোন্না মাং থাগদবনি।

লিলোং চজিং মাইরেলখোংদা ঙসি অফবা মহৈরোইশিংদা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাবুং করাম বিরামনিগী মিংদা শেলগী তেংবাংশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরমদা শ্রী শ্যামনা হায়- মহৈরোইশিংনা লাইরিক তন্লিঙৈ মতমদা লাইরিক খক্তা নত্তনা লাইশুসু খঙনবা হোৎনদুনা হেন্না মতিক চাবা মীওই অমা ওইরকবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- ঐখোয়বু পোকপীরিবা ইমা ইপানা ঐখোয়গীদমক ব্রানা হোৎনরকখিবা অদু শক খঙদুনা মখোয়বু মতম চুপ্পদা নুংশিনা অমদি ইকায় খুমনা লোয়নবীগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষাদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা অহানবা পোজিসন তাখ্রবা লংথবাল কেন্দ্রদগী রিয়া খ্বাইরাকপম অমসুং ষ্ট্রিম অসিমক্তদা ২০ শুবা পোজিসন ফংলকখিবা ইরোম আশা অমদি আর্টস ষ্ট্রিমদা ৫ শুবা পোজিসন ফংলকখিবা অবুজম শৈত্যমদা শেলগী মনাশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ভারত থাদোকউ অন্দলোনগী ৮৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘচন্দ্র, দলগী লুচিংবশিং অমদি কর্মিশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মেঘচন্দ্রনা হায়- বৃটিশ লোইলম লৈঙাক লোইশিন্দুনা নিংতম্বা ভারত অমা ওইরকবা হোৎনবদা ভারত থাদোকউ অন্দোলন্না চাউনা মতেং পাংখি। মরম অদুনা ঙসিগী মীরোলনা পুৱারীগী কাউঙম্লরোইদবা তাঙ্কক অদুবু নীংশিংদুনা হেন্না চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরশি।

আর্কিটেক (এল) ঃ মণিপুর আর্কিটক্স ফোরমগী অখন্নবা জেনেরেল বোদি মীফম ঙসি ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট গীতকুমার নেপ্রমনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ভারত পুম্বগী ওইনা আর্কিটেকচরগা মরী লৈননা পাঙথোকপা চাংদমবশিংদা মনা ফংলকখ্রবা মীওইশিংবু তরামা ওকখি। ঙসিগী মীফম অদুনা গীতকুমার নেপ্রমবু অমুক হন্না ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনবা খনখি।

ব্লোকেদ (এল) ঃ ৱার্কিং কমিতি কুকি সি.এস.ওজনা কাংপোকপী জিলাগী নেসনেল হাইৱে টুগী শরুক্তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ কৌরম্বা অদু খুদক্তগী তোকখ্রে। লুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিসিতিগী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমীনা হায়- কাংপোকপীদগী চুরাচান্দপুর ফাওবগী লাইফলাইনদা অয়েৎ অপন পীরক্তনবা মণিপুরগী রাজ্যপালনা মতম চানা থবক লৌখৎপীরকপা অসি থাগৎনিঙাইনি। য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা হিরম অসিদা য়ামা ৱাখল তাবা ফিরেপ লৌরকপগীদমকসু ৱার্কিং কমিতি কুকি সি.এস.ওজনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

এআর (এল) ঃ  তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরস অমসুং জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী ওপরেতিং বেজশিংদা ঙসি ৱার্ল্ড ত্রাইবেল ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা চীংগী ফুরুপশিংগী জগোই ঈশৈগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

ককচিং (এল) ঃ  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা আইনগী লমদা নীংথিনা খঙহনবা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি ককচিং খুনৌ মখা হাইস্কুল অমদি চেকশা পাৎ হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা ৱা ঙাংখি।

এৱার্দি (এল) ঃ   নিউ দিল্লিগী ললিত কলা একাদমি রবিন্দ্র ভবনদা হৌখিবা থা অসিগী মঙাদা পাঙথোকখিবা ৬৪ শুবা নেসনেল একজিবিসন ওফ আর্টতা শরুক য়াবদা ললিত কলা একাদমি এৱার্দ ফংলকখ্রবা ককচিং নিংথৌ লৈকাইদগী পুখ্রম্বম প্রেমচন্দ্রবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিংদা লৈবা সেন্ত্রেল পাব্লিক হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দসু শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল) ঃ   লাক্কদৌরিবা ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগী মাংওইননা তমেংলোংগী এপোলো লৱার গ্রাউন্দদা লম তু শেংবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা লম তু শেংবগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অংসিম দাংসাৱা অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

কোভিদ (এল) ঃ    মণিপুরদা হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস ৬ লৈরি। চহি অসিগী জন্ ১ দগী নৌনা শন্দোকপা হৌরকখিবা লাইচৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩৬০ পোজিতিভ ওইখি। ঙসিসু লায়না অসিনা নারম্বা

মীওই অমা নাবা ফগৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩৫৪ নাবা ফগৎলকখ্রে। ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী মীওই ৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা নৌনা পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

একজিবিসন (এল) ঃ ময়াংইম্ফালদা লৈবা খুমন মহৈকোলদা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকপা এনুয়েল স্কুল একজিবিসন ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা জেদ.ই.ও জোন-ৱান, স্কুল অদুগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

দিফেন্স ঃ লৈবাক অসিগী চহিগী ওইনা ঙাকশেলগী খুৎলায়শিং পুথোকপগী চাং রেকোর্দ ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ দা লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৫১ য়ৌবা ঙমখ্রে। মসি মমাংগী শেনবা চহিগী লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ২৭ ওইখিবা অদুদগী চাদা ১৮ গী চাংদা হেনগৎলবনি। ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়- মসি ঙাকশেলগী উদ্যোগশিং নিংথিনা চাওখৎলকপগী খুদম অমনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী সিংহনা, ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স প্রদক্সন অমদি মসিগা মরী লৈনবশিংবুসু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

দেল্লিঃ দেল্লি বিধান সভানা স্কুল মেনেজমেন্টনা অঙাংশিংগী ফী হেনগৎপগী মতাংদা মমা মপা ওইবশিংদা ভেতোগী শক্তি পীবা স্কুল ফী রেগ্যুলেসন বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। দেল্লি বিধান সভাদা শিক্ষা মন্ত্রি অসিস সুদনা হায়- স্কুল ওথোরিতিনা অঙাংশিংগী ফী হেনগৎপগী ৱাফম পুখৎলকপদা অঙাংশিংগী মমা মপা ওইরিবা কনাগুম্বা অমনা মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবদি ফী হেনগৎপা য়ারোই। দেল্লি স্কুল ইদ্যুকেসন ট্রান্সপেরেন্সি ইন ফিক্সেসন এন্দ রিগ্যুলেসন ওফ ফীজ বিল ২০২৫গী মখাদা স্কুলশিংনা করিগুম্বা অঙাংগী ফী হেনগৎলম্লবা থোক্লবদি মখোয়বু ফাইন থিহনবা অমদি তুংদসু ফী রিভিজন তৌবগী মখোয়গী হক মৎপনচিংবগী দন্দি ফংবা য়াই।

উট্টরাখন্দ ঃ উট্টরাখন্দগী উট্টরকাসি জিলাগী ধরালি-হারসিলদা খঙহৌদনা থোখিবা ঈশিং ঈচাউদা অৱাবা নংলবশিংদা তেংবাং পীবা অমসুং মী কনবগী থবক মপুং ফানা চথুরি। অৱাবা নংলবশিংদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারগী এজেন্সিশিংনা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীবা, মাংখিবা মীওইশিং থিবা অমসুং অমাং অতা থোকখিবশিং শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না চথুরি। মরক অসিদা লান্মী, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, পুলিস অমদি লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতেংগা লোয়ননা খুদোংথিবা থোক্লিবা মফম অদুদা পনদুনা লৈরম্বা যাত্রিকশিং অমদি মফমদুগী মীওই কয়া কনবগী থবকসু চথুরি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৭৭৫ কনবা ঙমখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটর প্রসান্ট আরিয়ানা হায়- খুদক্কী তেংবাং ওইনা অৱাবা নংলবা ইমুং অমমমদা লুপা লিশিং ৫-৫ পীখ্রে। মহাকা হায়- অমাং অতা থোকখিবগী অকুপ্পা রিপোর্ট খোমগৎলবা তুংদা দরকার লৈবা তেংবাংসু অথুবা মতমদা পীরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দুরান্দ কপ ঃ ১৩৪ শুবা দুরান্দ কপকী ঙসি অসামগী সাই ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা বোরোলেন্দ এফ.সিনা পঞ্জাব এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। হৌজিক গ্রুপ-বি মেটচতা মোহন বগান সুপর জাইন্ট অমসুং দাইমন্দ হারবর এফ.সি অনিনা কোলকাতাগী বিবেকানন্দ যুবা ভারতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নরি।

গ্রুপ-এফকী মেটচতা হয়েং নেরোকা এফ.সি অমদি রিএল কাশ্মীর এফ.সি অনিনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। মেটচ অসি নুংথিল পুং মরিদা হৌগনি।

বোদি বিল্ডিং ঃ অনিরক শুবা মিষ্টর উখ্রুল বোদি বিল্ডিং এন্দ মোদেল ফিজিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙসি উখ্রুলগী টাউন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসি ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা উখ্রুল জিলাগী বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা জিমশিংদগী লাকপা শান্নরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নখি।

যোগ ঃ   অনিরক শুবা মণিপুর যোগসনা চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ অমসুং ৩৭ শুবা নেসনেল যোগ চেম্পিয়নসিপকী ত্রাইয়েল সেলেক্সন ঙসি কাংঙাবম য়ুমজাউ লাইরেম্বী মল্টিপরপজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। শান্নরোই ৯০ রোমা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অদুদা মকোক মথং তারবা অমদি ত্রাইয়েল সেলেক্সন অদুদা খল্লবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা কাংলুপ ১৯ থোকা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অমদি ত্রাইয়েল অদুদা খল্লবা শান্নরোইশিংনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মহারাষ্ট্রপগী নাগপুরদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল যোগসনা চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগনি।

------